# কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগা ১-১দা ড্রো চৎখ্রবা এফ সী গোৱা লীগ টেবলগী ৩শুবদগী হাইগৎপা ঙমখিদ্রে




24th Jan, Sunday (69th & 70th Match)
Jamshedpur FC
vs
Hyderbad FC
Time : 5:00 PM
Bengaluru FC
vs
Odisha FC
Time : 7:30 PM




*এফ সী গোৱাগী শান্নরোয় ইভান গোঞ্জালেজবু রেদ কার্দ উৎতুনা মেটচ অদুদগী তাম্থোকখিবা রেফরি রঞ্জিৎ বাক্সি*

বম্বোলিম, জন্যুৱারী ২৩(এজেন্সী): এফ সী গোৱানা ঙসি বম্বোলিম সিটিদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬৮শুবা মেটচতা কেরলা ব্লাষ্টর এফ সীগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা ড্রো চৎখিবদগী টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলগী ৩শুবা পোজিসনদগী হাইগৎপা ঙমখিদ্রে।

এফ সী গোৱা মমাংগী রাউন্দ ১২ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেটচ ৫ মায় পাকখিবা লোয়ননা অতোপ্পা মেটচ ৪ ড্রো চৎলবা মতুং মেটচ অহুম মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী মখোয়গী মেটচ ১২ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেটচ ৩ মায় পাকখিবা অমদি মেটচ ৪ ড্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেটচ ৫ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

ঙসি জি এম সী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৬৮শুবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী ফজবা খরা হেনখি। মখোয়না বোল হেন্না পায়দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা চথুরকখিবা এটেকশিং অদুগী মনুংদা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা জোর্জি মেন্দোজানা পাঞ্জল চন্দুনা কেরলাবু মখোয়না মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা হাফ লোইশিনখি। মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নরকপা ৫৭শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী রাহুল কে পিনা কোর্নর কিক অমদগী ফংখিবা বোল অমদা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু ১-১দা ড্রো চৎখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 12 | 9 | 2 | 1 | 18 | 4 | 14 | 29 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 12 | 7 | 3 | 2 | 12 | 5 | 7 | 24 |
| 3 | FC Goa | 13 | 5 | 5 | 3 | 18 | 13 | 5 | 20 |
| 4 | Hyderabad FC | 12 | 4 | 5 | 3 | 16 | 14 | 2 | 17 |
| 5 | Northeast United FC | 12 | 3 | 6 | 3 | 15 | 16 | -1 | 15 |
| 6 | Chennaiyin FC | 13 | 3 | 6 | 4 | 10 | 13 | -3 | 15 |
| 7 | Kerala Blasters FC | 13 | 3 | 5 | 5 | 17 | 22 | -5 | 14 |
| 8 | Bengaluru FC | 12 | 3 | 4 | 5 | 14 | 16 | -2 | 13 |
| 9 | Jamshedpur | 12 | 3 | 4 | 5 | 13 | 17 | -4 | 13 |
| 10 | East Bengal Club | 13 | 2 | 6 | 5 | 11 | 17 | -6 | 12 |
| 11 | Odisha FC | 12 | 1 | 4 | 7 | 12 | 19 | -7 | 7 |

# ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র হোক্কী টিম অর্জেন্টিনাগী বি টিমগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে

বুইনোস আইরেস, জন্যুৱারী ২৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র হোক্কী টিমনা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক শেম শাবা ওইনা অর্জেন্টিনাগী টুরদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম অদুনা যূম্বু লৈবাক অদুগী নুপীগী বি টিমগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র হোক্কী টিম অসিনা অর্জে ন্টিনাগী টুরগী ওইনা অহানবা শান্নখিবা মেটচতা লৈবাক অদুগী জ নিয়র হোক্কী টিমগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চৎখ্রবনি। ঙরাং লৈবাক অদুগী সিনিয়র হোক্কী টিমগী অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা বি টিমগা লম্বা তৌনদুনা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শাবা মেটচ ওইখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা অর্জেন্টিনাগী বি টিমগী শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী শান্নরকখিবা মশান্না অদুদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিম অদু খরা নোপ্পা লৈখি। মেটচকী ১১শুবা মিনটনা অর্জেন্টিনাগী বি টিমগী মায়কৈদগী সোল পাজেলানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অদু অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখায়দুনা পুশিল্লক্লবা মতুং চহী নৌরিবী জুনিয়র শান্নরোয় সোল পাজেলানা ফংখিবা বোল অদু অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা ইন্দিয়াগী গোলকিপর রজনিবু মায়থীবা পীরগা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু চনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু খূদোংচাবা অনী ফংখি। পেনাল্টি কোর্নরগী খূথাংদা ফংখিবা খূদোংচাবশিং অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবনি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাবা ঙল্লবা অর্জেন্টিনাগী নুপীগী হোক্কীগী বি টিমগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখা তানা এটেক চথনবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদু মীৎকুপ-নাহুম শিংনা শান্নবা ঙম্বগী অহানবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। হোক্কী মশান্না অসিদা পেনাল্টি কোর্নর ফংবা হায়বসি পাঞ্জল চনবা য়াবগী অচৌবা খূদোংচাবা অমা লৈরিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নর স্পেসিএলিষ্ট (ড্রেগ ফ্লিকর) গুরজিৎ কোরনা মেটচ অদুগী ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা য়ৈশিনখিবা শোট অদু অর্জেন্টিনাগী টিম অদুগী গোলকিপরনা ঙাকথোক্তুনা অহানবা হাফ অদু ইন্দিয়াগী টিম পাঞ্জল ০-১দা শোত্থদুনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা অদুদা নাকল অনীমক্তগী লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নরকপা মরম্না হেঞ্জিন্নবা ঙমখিদে।

মরিশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা সানিমা টেটেনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অদুবু মিনট ৩ লৈরগা অর্জেন্টিনাগী টিম অদুগী মায়কৈদগী ওগষ্টিনা গোর্জেলানিনা পাঞ্জল ১ চনশিল্লগা ইন্দিয়াবু মখোয়না ২-১দা থোইখি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীগী মরক্তা বোল পুশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়*

# তেলেম জেকিচান্দ জমশেদপুর এফ সীদগী মুম্বাই সিটি এফ সীদা শান্নবা খূৎয়েক পীনখ্রে





পানাজি, জন্যুৱারী ২৩(এজেন্সী): মণিপুরদগী হৌখিবা ফুটবোল শান্নরোয় তেলেম জেকিচান্দনা হৌজিক-হৌজিক গোৱাদা চথুরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্লব অমা ওইরিবা জমশেদপুর এফ সীদা শান্নরম্বদগী মখা তারকপা মেটচশিংদা মুম্বাই সিটি এফ সীদা শান্নবা ঙসি খূৎয়েক পীনখ্রে।

মশাগী চহী ২৮শুরবা শান্নরোয় অসিনা চথুরিবা আই এস এল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী জমশেদপুরনা শান্নখিবা মেটচ ১২দা শরুক য়াবা ঙমখিবনি। মদুগী মনুংদা টিম অদুনা পাঞ্জল চনখিবা তাঙ্কক অহুম্লক্তা মহাক্না সপ্লাই তৌখিবা বোলশিংনা ওইখি।

তেলেম জেকিচান্দ ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় অমনি। মীয়াম্না শম্না জেকি হায়না খঙনরিবা শান্নরোয় অসিনা মমাংদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ওইনা পূন্না মেটচ ৮৫ শান্নবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা মহাক্না জমশেদপুর এফ সীদা শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা এফ সী পুনে সিটি, কেরলা ব্লাষ্টর এফ সী অমসুং এফ সী গোৱাদসু হৌখিবা আই লীগকী টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াখি।

কুমজা ২০১৬তা জেকিচান্দনা ঙসি খূৎয়েক পীনখিবা ক্লব মুম্বাই সিটি এফ সীদা শরুক য়াদুনা ক্লব অদুনা শান্নখিবা মেটচ ৮ শান্নখিবদা পাঞ্জল অমা চনবা য়াওখি। জেকিচান্দনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা আই এস এলগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা মুম্বাই সিটি এফ সীদা অমুক হন্না হল্লক্তুনা শান্নবগী খূদোংচাবা ফংবা অসি ক্লব অদুগী মেনেজমেন্ট টিমবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। ক্লব অসিগী কোচ সর্জিও লোবেরানা মহাক্কী মশান্না অদুদা থাজবা থমদুনা ক্লব অদুদা শান্নগদৌরিবা অসি মহাক্কী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ক্লব অদুবু মায় পাক্লনবা হোৎনগনি হায়না থমখি। অমরোমদা, কোচ লোবেরানা ফোঙদোকপদা জেকিচান্দনা ক্লব অদুদা য়াওরকপদা অহেনবা পাঙ্গল অমা ওইরগনি হায়খি।

# অম্বানা মিষ্টর ইন্দিয়া পি দোঙ্গেল আই পি এস তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩(ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (অম্বা)না এসোসিএসন অসিগী পেট্রোন মেম্বর অমসু ওইরিবা মিষ্টর ইন্দিয়া আই পি এস পি দোঙ্গেলবু দিরেক্টর জেনরেল ওফ প্রিজন্সকী ফমদা প্রমোসন পীরকপদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা খূৎয়েক পীদুনা ফোঙদোরকপদা মিষ্টর ইন্দিয়া টাইটল ফংলবা এথলিট অমনা লৈবাক অসিগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ প্রিজন্সকী ফম পুবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি হায়রদুনা মহাকপু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকখি

# সাইক্লিষ্ট সিনাম রোশনী তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩(ঐচএনএস): ষ্টোপ ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চাইল্ড লেবর হায়বা পাউজেল পুদুনা মণিপুরদগী ইন্দিয়াগী কোনুং দেল্লি ফাওবা সাইকল থৌদুনা চৎলুরবী সাইক্লিষ্ট নুপীমচা অহুম ঙসি মণিপুরদা অমুক থুংলখ্রে।

মণিপুরদা হল্লকখ্রবী সাইক্লিষ্ট অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবী ককচীং চুম্নাং অর্শম রোদতগী সিনাম মোহেন অমদি সিনাম ওংবী জেনিতা অনীগী মচানুপী সিনাম রোশনী ঙসি মহাক্কী পোক্লফম লমদম য়ৌরকপদা ককচীংগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

ৱেষ্টর্ন ককচীং দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন নাওরেম শঞ্জিৎকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, দল্লিয়ু কে দি ওগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিনোদকুমারনা থৌরম মপূ লোয়ননা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৪গী কাউন্সিল্লর পি সনাহলনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রোশনীনা মহাক্না চৎলুবা খোঙচৎ অদুগী অৱা-নুংঙাই কয়া পাউদম্লদুনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা সাইক্লিষ্ট মখোয় অহুমবু তরাম্না ওকপীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীরকপা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চহী ২০২০গী দিসেম্বর ২৩দা সিনাম রোশনী, এম বিন্দিয়া অমদি সী ঐচ নাওচা হায়রিবী নুপীমচা সাইক্লিষ্ট অহুম অসিনা ষ্টোপ ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চাইল্ড লেবর হায়বা পাউজেল পুদুনা দেল্লিগীদমক খোঙশানবা হৌখিবনি। মখোয় অহুম্না নাগালেন্দ, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার অমদি উত্তর প্রদেশ ফাওদুনা চৎলগা দেল্লিদা থুংলুরবা মতুং অমুক হল্লক্তুনা ঙসি মণিপুরদা য়ৌরকখিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগা মরী লৈনবা মীওই অহুম কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট পোজিটিভ ওইখ্রে




মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৩(এজেন্সী): চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৮দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপ্লিবা টেন্নিস মশান্নগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগা মরী লৈনবা মীওই অহুম য়ুনাইটেদ কিংদমদা ফংখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট অদু টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগা মরী লৈননা মীরমদগী লাকপা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌবগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লিবা ভিক্টোরিয়া ষ্টেট এজেন্সীগী মায়কৈদগী ওফিসলনা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট পোজিটিভ ওইরবা মীওই অহুম অদু শান্নরোয়দি নত্তে হায়না মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবনি।

মেলবোর্ন সিটিদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট শরুক য়াননবা লাকখিবা শান্নরোয় অমদি অতোপ্পা মরী লৈনবা মীওইশিং থা অসিগী ১৫দগী হৌরদুনা অকনবা লোকদাউনগী ক্বারন্টিন প্রোটোকোলশিং অদু চৎনহন্দুনা লাকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা খ্বাইদগী মীশীং লৈবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অনীশুবদা লৈরিবা অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট পাঙথোকফমসু ওইরিবা ভিক্টোরিয়া ষ্টেটতা অনৌবা লোকলগী ওইবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈত্রবসু মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিং পোজিটিভ ওইবগী মশীং অদু ঙসিগী কেস অহুম অসি থারগা পূন্না ১৭ য়ৌখ্রে হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াবা লাকখিবা শান্নরোয় ৭২ হৌজিক-হৌজিক মখোয়-মখোয়গী হোটেলগী কাদগী চৎথোকপা য়াহন্দনা চয়োল অনীগী ওইবা ক্বারন্টিন চথুদুনা লাক্লি।

মরক অসিদা, ক্বারন্টিন তৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী মখোয়না হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা ফীভম অদুদা পেন্দবা ফোঙদোকপা কয়া য়াওখ্রবনি। মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিংগী মনুংদা হৌজিক-হৌজিক টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগা মরী লৈননা এক্টিভ কেস ১০ থেংনরি।

ভিক্টোরিয়া ষ্টেটতা হৌখিবা চহীগী মার্চ থাদগী মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীখিবা অদুগী মনুং চন্না পূন্না মীওই ২৮,৭০০ কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী কেস থেংনখি। মদুগী মনুংদা শুপ্নগী মীওই ৯০৯ লায়না লাইচৎ অদুনা মরম ওইরগা শিবগী রেকোর্দ লৈরি। অতোপ্পা মফমশিংগা চাংদম্নরুবদা হায়রিবা রেকোর্দ অসি য়াম্না নেম্লিবনি।

ভিক্টোরিয়া ষ্টেটতা লৈরিবা মেলবোর্ন সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভম লাক্তনবা ষ্টেট অদুগী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরি।





HL-P/8547/13 to 28

SMART TUTORIAL CENTRE
ADMISSION OPEN
Revision Course 2021
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)
Foundation 2021
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)
Commences on 10th & 20th January 2021
☞ Special fee concession for former student
☞ Regular mock test with analysis
☞ Well structured study material
☞ Separate hostel for boys & girls
For details please visit Smart Tutorial Centre
Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860
HL-P/8361/28/12-26/01


## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### লমদম অসিদা করিনো শোইহিরবা অসি খঙনা-খঙনা শেমদোকপা ঙমদবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্কী মাঙজবনি



মতম অমগা য়েংনরুবদা লমদম অসিদসু নোংম-নোংমগী ইঞ্জিন পানবা গাড়িগী মশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। গাড়ি মশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিনদা হেন্না খুদোং চাহনবদি লায়রদনা, মফম খুদিংদা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লে। নোংমা কাংদনা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোক্তুনা মমল য়াল্লবা পুন্সি কয়া মাঙলি। অসিগুম্বা লাইবক থিবগী থৌদোক থোক্লিবা অসিগী অচৌবা মরমশিং অদুগী মনুংদা খরা হায়রগদি মণিপুরগী লম্বী অয়াম্বা ফজনা শেম্বা ঙমদবা, লৈরিবা খরা অসিসু য়াম্না পিকপা, মীয়াম্নসু ট্রাফিক রুল ঙাক্না চৎনদবা, নুমিদাংগী মতমদা হায় বিম থাল্লগা গাড়ি থৌবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিন-থকচিল্লগা গাড়ি থৌবা, চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা গাড়ি থৌহনবা অমদি পার্কিং সিষ্টম ফজনা লৈতবনচিংবা অসিননি হায়জনিংই। মসি পূম্নমক অসি মীয়াম্নসু অমদি লৈঙাকলিবশিংনসু লোয়না খঙই। অদুবু খঙনা-খঙনা করিসু কনানসু করিমত্তা হোংদোকপা ঙমদে। চহী খুদিংগী অরি-অনৌ শিন্নবা মতমদা গাড়ি এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা কয়া থোক্লি। ঐখোয় পূম্নমক্না গাড়ি চেকশিন্না থৌদুনা ট্রাফিক রুল ঙাক্তুনা মমল য়াল্লবা পুন্সিবু কন্নবা হোৎনমিন্নসি।

❒ ইনাওতোম্বা নাওরেম, খুনফম মখা লৈকায়

### স্কুলদা মহৈ তম্বা ফংহল্লগনি হায়রিবাসিদা তঙাইফদ্দনা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎপা চঙই



থা কয়া কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা যূমদগী মপান থোকপা য়াদনা অঙকপা পুন্সি মহিং অমদা হিংনরুরে। হৌজিক লমদম অসিদগী কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মপুং ফানা ফখিবা হায়বদুদি ওইদ্রি। অদুমকপু মমাংদা লাইচৎ অসিবু য়াম্না কিনরম্বা অদুদি পূম্নমক মাঙখ্রে হায়বা য়াই। লায়না লাইচৎ অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং কয়া পীখিবগা লোয়ননা মহৈরোয় খুন্নাইদসু য়াম্না মাঙজবা হায়বদু ওইরে। অদুবু ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মহৈ তম্বা ফংহল্লগনি হায়না তাকপিখিবা ৱাফম থাগৎনিংঙাইনি। করিগুম্বা ৱাফম অদুমক শোয়দনা চৎনরগনি হায়রবদি কোভিদ-১৯গী এস ও পি করিনো হায়না পুম্নমক্না খঙলবসু মহৈরোয়শিংদা চৎন-কাঙলোনশিং অসি মপুং ফানা ঙাকহন্নবা অখন্নবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবদি লৈগনি হায়না খল্লি। মহৈরোয় অয়াম্বনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোন খঙলবসু থোইনা ঙাক্না চৎপা ঙমগদবা মান্দে। অমরোমদা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা স্কুল-স্কুল অদুগী মেনেজমেন্টশিংনা অঙাংশিং অদুবু তাকপী-তম্বিদুনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবসু লৈগনি হায়জনিংই।

❒ নিংথৌজম সোনিত, হৈরোক পার্ট-২

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/ hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com